**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-06-2024)**

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়-জিলা অসিগী কোংবা মরূ চিংশাং পরেংদা থিবা হুন্থবগী থবক চখবদা পম্পী অমা, এস.বি.বি.এল. অমা, মজল লোদেদ রাইফল অমা, পোইন্ট টু টুগী পিষ্টোল অমা, কন্ট্রিমেদ পিষ্টোল অহুম, লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল অমা, ব্লেঙ্ক কারটিজ অমা, মিণি ফ্লেয়ার সিঙ্গল কারটিজ অনি, ট্যুব লোঞ্চর তরুক, আর্মিং রিং অনি, দিটোনেটর য়াওদবা ঐচ.ই. গ্রেনেদ অমা, টু ইঞ্চ মোটোর সেল অমা য়াওনা তোঙান তোঙনবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

অমরোমদা, জিরিবামগী এস.পিগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিদা শান্তি হনজিলহন্নবগী পান্দমদা জিরিবাম রি-কন্সোলেসন ফোরম শেমখ্রে। মসিদা জিরিবামদা লৈবা বঙ্গলালি হিন্দু, বঙ্গলালি মুস্লিম, বিষ্ণুপ্রিয়া, মীতৈ পাঙল অমসুং রোংমৈ ফুরুপকী মীওইশিং য়াওরি। কমিতি অসিনা জিলা অসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা মতেং পাংদুনা হান্নগী পুন্সিদা হল্লকবা হোৎনগনি হায়রি।

**মীফম(এল)ঃ** মনিপুরগী লম অমদি য়েলহৌমীশিং কনবা হায়বা হীরমদা ঙসি মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমা অৱাং সেকমাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসি মীতৈ-লোইজস, এস.সি, সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কমিতি-মনিপুর অমসুং সলাই কনবা লুপ ময়াই লোইশঙনা খুৎশমনা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা ভারত সংবিধানগী আর্টিকল ৩৪২ ক্লোজ টুদা য়াওরিবা মনিপুরগী

সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্ট শেমদোকপীনবা অমসুং রাজ্যসিগী লম অমদি য়েলহৌমী কন্নবগী মতাংদা খন্ননবনি।

**রেল্লি (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি লোয়শিনদুনা শান্তি লৈবা লমদম অমা পুরকবগী পান্দমদা ঙরাং নুমিদাং মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা খুৎতা মৈরা পায়দুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং এরিয়াদা মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী-আর.কে. মনিপুরসনানা হায়-খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবীশিংনা, লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী যুমদা হলহল্লু, মনিপুরগী অপুনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, খুল ঙাকপশিংবু ফাবা য়ারোই অমসুং ঐখোয়গী ঙমখৈ ঐখোয়না ঙাকচগনি হায়বনচিংবা খোল্লাউ লাউখি।

ইম্ফালগী মোইরাংখোম কবুই খুলদসু য়াইস্কুল অপুনবা মৈরা পায়বী লুপনা শিনদুনা ঙরাং নুমিদাং খুৎতা মৈরা পায়দুনা, হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবীশিংনা মনিপুরগী অপুনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, ঐখোয় শান্তি পাম্মী হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১১১ শুবা মন কী বাট-পুকিংগী ৱা, ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি। মসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থংন-থংননা অহুমলকশুবা প্রধান মন্ত্রি ওইরকপগী অহানবা মন কী বাটনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা মদুগী মনিপুরি ৱাহন্থোক শন্দোক্তুনা তাহনগনি। মসি নুমিৎসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসি এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু নুমিৎসিমক্তদা শন্দোক্কনি। দাইলেগ লোলশিংদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**মানজিঃ** কেন্দ্রগী মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস (এম.এস.এম.ই) মন্ত্রি-জিতন রাম মানজিনা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ কম্মিসনগী মখাদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং হন্না য়েংশিনখ্রে।

লৈবাক অসিদা খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ সেক্তর হেন্না চাউখৎহন্নবগী পান দমদা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা মন্ত্রিনা স্কিম অসিগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং কুপা য়েংশিনখি। মীফম অদুদা এম.এস.এম.ইগী রাজ্য মন্ত্রি-সোভা কারনলাজে, কে.ভি.আই.সিগী চেয়ারমেন-মনোজ কুমার অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মন্ত্রিনা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা ফংফম থোকপা কান্নবা মীয়ামদা নীংথিনা ফংহন্নবা মখা তানা থবক লৌখৎনবা খঙহনখি।

**জয়শঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর ঙসি কটারদা চৎলগনি। এক্সটরনেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী চেরোল অমদা হায়-মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নরক্কনি।

ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা রাজনিতি, লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, হনর্জি অমসুং ঙাকশেলগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু খন্নগনি। মালেমগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু লুচিংবশিংনা উন্নবা অদুদা খন্নগনি হায়রি।

**ক্রিকেট ঃ** চহি ১৭ কী মতুংদা অমুক হন্না ভারতনা আই.সি.সি. মেন্স টি-টোইন্তি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ লৌরে।

ঙরাং য়ু.এস.এগী বরবাদোসতা লৈবা কিংসন ওভেলদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতনা সাউথ আফ্রিকাবু রন-৭ তা মায়থিবা পীখি। টোজ ঙমদুনা

হান্না বেটিং তৌখিবা ভারতনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন-১৭৬ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা সাউথ আফ্রিকানা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন-১৬৯ খক্তমক লৌখি।

ভারতনা চাউনা মায় পাক্লকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়ানা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমসুং য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-গোবিন্দ দাস কোন্থৌজমনসু ভারতনা কপ অসি লৌরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা চথরিবা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.ডব্লিয়ু.য়ু-ককচিংনা এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরকপু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে।

**বেদমিন্টন (এল)ঃ** মনিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শিনবা ৪১ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৬৮ শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ ২০২৪, মথং থাগী ২৩ দগী ২৭ ফাওবা দি.এম. য়ুনিভরসিতি কেম্পসতা লৈবা এম.বি.এ. ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী এসোসিয়েসন নৎত্রগা য়ুনিটশিংগী প্রসিদেন্ট নৎত্রগা সেক্রেটরিগী খুৎথাংদা মরী লৈনবা চেরোলশিং পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপ্রগী ইরাংগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইবা পাউ, ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

পাউ অসি মনিপুর ন্যুজতা-ইরাং লাকশিনবগী মতাংদা মীয়ামনা সরকার অসিদা পেন্দবা লৈ হায়বা ইশানা য়াই। ইরাং লাকশিনবদা মতম খরদি চংগনি। খরদংগা খাঙমীন্নখিসি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনা লৈবাক্তনা-মতম চানা ইরাং লোয়শিনখিদে হায়না মীয়ামদা ফাওনরিবা অসি অচুম্বনি। ফম থাদোকপা নৎত্রগা থাদোক্তবা হায়বসি ঐগী খুৎতা লৈতে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন অমসুং মোরনিং বেলদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি এম.পি. অনিনা পার্লিয়ামেন্টতা মনিপুরগী ৱাফম পুখৎকনি। কংগ্রেস লৈঙাক্তা মশাসু য়াওখিবা চীফ মিনিস্তরনা ওইদবা ৱাফম ঙাংহন্নিংদে হায়না কংগ্রেসকী মায়কৈদগী থল্লকখিবা ৱাফম ফোংলক্লি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেসতনা প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা মনিপুরগী ইরাং পনখিদবা, মনিপুরবু মীরায়বনি হায়বা কংগ্রেসকী ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। কংগ্রেসকী পাউ অসি মনিপুর মেলদনা-প্রাইম মিনিস্তরনা মনিপুরবু থওইদ্রে হায়না হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

মনিপুর কন্নবা খোঙচৎতা এম.এল.এ. ৪৮ না শরুক য়াবা ঙমখিদবগী মরম শেংদোকহন্নিংই হায়না কোকোমিনা থল্লকখিবা ৱাফম পোকফম পাউ-চেগী অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। কোকোমিগী পাউ অসিসু অয়াম্বা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মনিপুরগী ইরাংগা মরী লৈননা রাজ্য অসিগী এম.এল.এশিং দিল্লিদা চৎনখিবগী পাউশিংসু ঙসি ফোংবা অয়াম্বা পাউচেদা ফোংবা থেংনরে। সঙাই এক্সপ্রেসতা এম.এল.এশিং দিল্লিদা পাইশিনবা লেপত্রি হায়না হেদলাই পীরি। পোকফমদনা-আর.কে. ইমো, টি.ঐচ. শ্যামকুমারসু দিল্লিদা চংখ্রে হায়না

হেদলাইন পীরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-মনিপুরগী রুল্লিং এম.এল.এশিংনা প্রাইম মিনিস্তর, হোম মিনিস্তর উন্ননবা শেম শারি হায়না হেদলাইন পীরি।

মনিপুরগী মতাংদা মোহন ভগবতনা প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদি উন্নখ্রে। লৈঙাক পায়বদা য়াওবা এম.এল.এ. ১০ দিল্লিদা কেম্প তৌরি হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইনি।

নিতিশ কুমারনা মনিপুরগী লাল লোয়শিনবদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রক্লে। দিল্লিগী মীফমদা মনিপুরগী জে.দি.য়ু. লুচিংবশিং শরুক য়াখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ভারতকী অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না ইন্দিয়া মেটিরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা খঙহল্লকখিবা ৱাফম ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।